# অথৌবশিংগ নীংশিং নুমিৎকী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : বির টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল অমসুং মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লালদা মরৈবাক্কীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক শন্না অথৌবশিং নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না শীন্দুনা ঙসি পার্টি অসিগী পোলোগ্রাউন্দ মনিংদা লৈবা ওফিসতা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা লূচিংদুনা পার্টি অসিগী থৌমীশিংনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমখি। অথৌবশিংগী নুমিৎকী থৌরম অসি পার্টি অসিনা কুমজা ১৯৭২দগী হৌনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)না শীন্দুনা পার্টি অসিগী ইরাৱত ভবন্দা লৈবা হেদ ওফিসতা অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সী পি আইগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি লাইশ্রম সোতিনকুমার, ষ্টেট এগজিক্যুটিব মেম্বর ডা. বদরুদ্দিন, খোল্লাউ পাউচেগী এদিটর কে ঐচ সুরচন্দ্র অমদি সী পি আইগী লূচিংবা লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা মণিপুরগী অথৌবা কয়ানা মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্ল বগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা অদুবু নৌহৌননা নীংশিংখি।

শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনসু পার্টি অসিগী বাবুপরাদা লৈবা ওফিসতা পেট্রিওটস' দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা লূচিংদুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেল অমসুং পুখ্রম্বা কজাওনচিংবা মরৈবাক্কীদমক্তা মথৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী অয়েকপা মিতমদা লৈ-শু কৎখি অমসুং মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চীক্লা লৈরুনবা থৌনিখি হায়রি।

কোসিলন ফোর ইন্দিজিনিস রাইটস কেম্পেন মণিপুর (সির্কা) ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনসু ঙসি ক্বাখৈখেল গর্লস হায় স্কুলদা পেট্রিওটস' দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দেসামগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম অঙম্বা অমদি এইমসকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম রাজেশনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। অথৌবশিংগী অয়েকপা মিতমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমদুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

দিল্লি মণিপুরী সোসাইটি (দিমাস)নসু ঙসি ন্যু দিল্লিদা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবা লাম্লেংনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

কুমজা ১৮৯১গী ওগষ্ট ১৩দা ফৈদাবুংদা য়ুবরাজ বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলবু মীয়াম মাঙদা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবা অমদি জেল মনুংদা চিরাই নাগা, নিরঞ্জন সুবেদার অমসুং পুখ্রম্বা কজাওনচিংবা অথৌবশিংবু থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা ঙসি মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকপনি হায়রি।

ন্যু দিল্লিগী চনক্যপুরিগী মণিপুর টিকেন্দ্রজিৎ হাউসতসু পেট্রিওটস' দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১দা বৃটিশনা লাম্লেংনবদা মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা পাউনা ব্রজবাসি, বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলনচিংবা অথৌবশিংগী মিতমদা দিল্লিদা মণিপুরীশিংনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ জিনস্বানহাও, রেসিদেন্স কম্মিস্নার বিনিদ জোসিনা লূচিংদুনা ভী আই পিশিং, ওফিসারশিং, মণিপুর ভবনগী ষ্টাফশিং অমদি ভবনগী গেষ্টশিংনা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কত্তুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়শিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

হুইয়েন লাল্লোং মণিপুর থাং-তা কলচরেল এসোসিএসন্নসু ঙসি অয়ুক এসোসিএসন অসিগী ইরিলবুংদা লৈবা ওফিসতা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী গুরু কে সনাথোইনা প্রিসাইদ তৌখি। লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী গুরুশিং, অখঙ-অহৈশিং, আর্টিষ্টশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলগী ফোটোদা থাংগী সেল্যুট পীবগা লোয়ননা লৈ-শু কত্তুনা ঈকায় খুম্নখি।

ষ্টেন্দর্দ কোলেজ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননসু কোলেজ অসিদা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমদুনা ওগষ্ট ১৩গী থৌরম পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা কোলেজ অসিগী কেম্পসসু লু-নান্না থম্নবা সোসল সার্বিস অমসু পাঙথোকখি।

মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্নসু ঙসি অথৌবশিংগী নুমিৎকী থৌরম হেদক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে। এসোসিএসন অসিগী মকোক থোংবা থৌপুবশিং অমদি হোম গার্দ পার্সনেলশিংনা বির টিকেন্দ্রজিৎ, পাউনা ব্রজবাসি অমসুং থঙ্গাল জেনরেলনচিংবা অথৌবশিংগী মিতম লৈ কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

য়ুনাইটেদ য়ুথ ওর্গনাইজেসন, শিংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যপতি লৈকায়নসু অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ ওর্গনাইজেসন অসিগী শঙলেন্দা প্রসিদেন্ট ঐচ বুধিনা লূচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র য়ুথস ওর্গনাইজেসন্নসু য়ুম্নাম খুনৌদা লৈবা ওফিসতা কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈ লৈ কত্তুনা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

পেট্রিওটস' দে এন্দ অৱার ফ্যুচর হায়বা পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা পিটর কোইরেং, ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম সঞ্জিৎনচিংবা কয়ানা ৱা ঙাঙখি।

দি টেম্পল ওফ য়ুনিভর্সেল পিছ এৱ্যেরনেস কম আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমি, থৌবাল ৱাংমতাবনসু ঙসি অয়ুক কেনিয়া স্কুল হোলদা ১২৬শুবা অথৌবশিংগী নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা হৈরাং লৈরাং কৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা একাদেমি অসিগী প্রসিদেন্ট থিয়াম মেঞ্জোর মীতৈনা প্রিসাইদ তৌখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না শংলৈতোন পাখঙবা হায়না মিংথোনবা ইপা-ইপুগী লীক্লমদা য়ুম্ফম ওইবা ফম্পাক কুম্মৈ অমসু উৎখি হায়রি।

লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল, ময়াই লম্বী, লায়ন্স ক্লব ইন্টরনেসনল দিষ্ট্রিক্ট : ৩২২ দিনা শীন্দুনা ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর-৯গী কাউন্সীল সী ঐচ প্রিয়োবর্ত্ত অমদি রঙ্গিনি মেমোরিএল চেরিটিবল ক্লিনিক য়ুম্নাম হুইদ্রোম মমাঙ লৈকায়গা খুৎশম্নদুনা ঙসি নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা থম্বাল লৈমা হায় স্কুল ইরম সিফাই লৈরক অচৌবদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কেম্প অদুদা মীওই ৩১৪ রোম্না লায়েংখিবগা লোয়ননা হীদাক-লাংথকসু লেম্না য়েন্থোকখি হায়রি।

লায়ন্স ক্লব ওফ কাঞ্চিপুরনসু ঙসি পেট্রিওটস' দেগী থৌরম শিংজমৈ থোঙাম লৈকায় এস আর ও ৱাই ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। লায়ন্স ওফ কাঞ্চিপুরগী মেম্বরশিংনা বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা লাম্লেংনবদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমখি।

শম্বৈ য়ুথ ক্লবনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুথ ফ্রন্ট এস ৱাই সীনা শীন্দুনা শম্বৈ কম্যুনিটি হোলদা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট এন কপিলচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, নোংথোম্বম থোইবা প্রসিদেন্ট শম্বৈ ভীলেজ ওথোরিটিনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং এন গোলাপ মেমোরিএল স্কুলগী প্রিন্সিপাল জয়কুমার মঙাং অমদি শম্বৈ প্রাইমারী স্কুলগী হেদমাষ্টর এল শরতনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইয়েক চাংদম্নবা অমসুং রিসাইটেসন কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখি। লাইয়েকপা চাংদম্নবা অদুদা আর কে নোংপোকঙানবীনা অহানবা, দব্লিয়ু লনচেনবীনা অনীশুবা অমসুং টি ঐচ বিদ্যলক্ষ্মীনা অহুমশুবা তাখি। রিসাইটেসন কম্পিটিসন্দা টি ঐচ ভিক্টোরিয়ানা অহানবা, ইলিজাবেদনা অনীশুবা অমসুং এস দেবজিৎনা অহুমশুবা তাখ্রে হায়রি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ককচীং কৈথেল অপুনবা ইমা লূপ অনীগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ককচীং কৈথেলদা লৈবা ইরাবত পার্কতা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ পাঙথোক্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

লিবর্টি থিয়েটর ককচীংনা শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচীংগী মীপুনশঙদা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মহৈরোয়শিংগী লৈবাক নীংবা শৈরেং থিবা চাংদম্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি অমদি নুমিদাংদা বির টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা মীয়ামদা লাম্থোকখি।

থৌরম অদুদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল চ্যেরপার্সন এম ইনাকখুনবীনা চীফ গেষ্ট, লিবর্টি থিয়েটর ককচীংগী প্রসিদেন্ট ৱাই সৈত্যনা প্রসিদেন্ট অমসুং সোসল ৱার্কর এন কোবিৎতা গেষ্ট ওফ ওইনা শরুক য়াখি।

থৌবাং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা দি সী কমপ্লেক্সতা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌবাল জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য কে ঐচ সুর্নালাতানা চীফ গেষ্ট, দি সী থৌবাল এল নবকিশ্বর আই এ এসনা প্রসিদেন্ট অমসুং এস পি থৌবাল কে মেঘচন্দ্র এম পি এস অমসুং এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট থৌবাল এন জি ভোগেন্দ্র এম সী এসনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

হেল্থি পিপল ৱাংজিং লমদিংনা শীন্দুনা লমদিং মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোলদা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী হান্নগী এম এল এ ওক্রম লন্ধোনিনা চীফ গেষ্ট, ফাউন্দেসন ফোর হেল্থি পিপলকী প্রসিদেন্ট চিংথাম ইবোয়াইমানা প্রসিদেন্ট অমসুং ককচীংগী এস দি সী লোংজম অশাকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দে শরুক য়াগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ : মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা থা অসিগী ১৪দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নীংতম্লবা মণিপুরগী ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি। মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এলাংবম শায়োনবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইরমদম অসিগী ইরৈচাশিং অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা হৌখ্রবা পুৱারীগী য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমবু নীংশিংদুনা নীংতম্বা মণিপুর অমা লৈরমই হায়বগী খুদম ওইনা নৌহৌননা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। ইনিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লগা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মার্জর এগ্রীমেন্ট সাইন তৌহন্দ্রিঙৈ মমাঙদা নীংতম্বা মণিপুর অমগী পুৱারী লৈজরমই হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিনা খঙমিন্নবা অমসুং নীংশিংমিন্নবা হায়বসি য়াম্না তঙাইমক ফদবা হায়না লৌগনি। থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। মণিপুরগী ৭১শুবা নীংতম নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী নুংশি-চান্নবা পুরক্তুনা চাউখৎপা, ৱাত্ত-পাদবা ইরমদম অমা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## মোটোর সাইকল রেল্লি চৎকনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ : কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইটস কেম্পেন (সির্কা) মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭১শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিৎ অসিগী মরী লৈননা সির্কা ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা শীন্দুনা নুমিৎ অসিদা সনা কোনুংদগী ইম্ফালগী মরুওইবা মফম কয়াদা মোটোর সাইকল রেল্লি চৎকনি অমদি মহৈলোয়শঙশিংদসু ইবুধৌ পাখঙবগী পাফল তোংবা মণিপুর নেসনল ফ্লেগ চিংখৎমিন্নদুনা নীংতমখিবগী নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকমিন্নগনি হায়না সির্কা ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট মিদিয়া কোওর্দিনেটরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ : রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা শীন্দুনা গো গ্রীন মণিপুর হায়বা থিম অসিগী মখাদা ঙসি লংথবালদা লৈবা স্পাষ্টিক সোসাইটি মণিপুরগী কেম্পসতা উ চারা মখল কয়া থাখ্রে। থৌরম অসিদা ক্লব অসিগী থৌপুবশিং, মেম্বরশিং অমদি স্পাষ্টিক সোসাইটি মণিপুরগী ফাউন্দর সেক্রেটরি অমসুং সোসাইটি অসিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা রোটরি ক্লবকী প্রসিদেন্ট বির্লা হাওবিজমনা হায়খি, অঙৈং-অশাগী খল অসি খরদা ওইরবসু ঙাকপদা মতেং পাংনবা ক্লব অসিনা ঙসি উ চারা থাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

## অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা মৈরা কৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : অমকিল, নুপী সমাজ অমসুং তম্মী-চীংমীনা শীন্দুনা ১২৬শুবা পেট্রিওটস' দে সেলেব্রেসন, ২০১৭ ওবজার্বেসন কম্মিটিনা ঙসি নুমিদাং ফৈদাবুং হিচম য়াইচম পাৎ অমসুং কোনুং মমাঙগী ট্রাফিক আইলেন্দদা লৈরিবা থঙ্গাল জেনরেলগী মিতমদা মৈরা কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

১২৬শুবা পেট্রিওটস' দে ওবজার্বেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা ৱাহেংবম লৈকায় লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা মীয়াম পুল্লবা মতুংদা নুমিদাংদা মৈরাগী রেল্লি অমগা লোয়ননা ফৈদাবুং (সহিদ মিনর)দা মৈরা অমসুং অথেনপোৎ কৎলবা মতুংদা অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

মতুংদা জন্মাস্থানগী হিচম য়াইচম পাৎতা লৈবা বির টিকেন্দ্রজিৎকী মংফমদা চত্তুনা মৈরা কৎপগা লোয়ননা হৈকেৎ লৈকেৎ তমখি। অরোইবদা কোনুং মমাঙগী ট্রাইফিক আইলেন্দদা লৈবা থঙ্গাল জেনরেলগী মফমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমদুনা মৈরা কৎপগী থৌরম অদু লোইশিনখি হায়রি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ১২৬শুবা পেট্রিওটস' দে ওবজার্বেসন কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ফোঙদোরকপদা, বৃটিশকী মায়োক্তা মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক লাম্লেংনদুনা থৱায় থাখিবা অমদি মরৈবাক্কীদমক মীয়াম মাঙদা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবশিং অদুবু নীংশিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা হৈকেৎ লৈকেৎ তম্বা অমদি মৈরা কৎপগী থৌরম চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দক চহীসু থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

অথৌবশিংবু থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবা ফৈদাবুং, বির টিকেন্দ্রজিৎকী অরোইবা য়াতাফম ওইরিবা হিচম য়াইচম পাৎ অমসুং কোনুং মমাঙদা লৈবা থঙ্গাল জেনরেলগী মিতমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তম্বগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা কোক নোন্দুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকপনি।

ওগষ্ট ১৩না লাকপদা মণিপুরগী মৈরা পায়বীশিং অমদি নুপীশিংনা পুনশিন্নদুনা নুপীগী অপুনবা পাঙ্গলনা ইরমদম অসিবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরসি হায়না কম্মিটি অসিনা পাউজেল পীরক্লি।

## শিল্লোংদসু অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : শিল্লোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা শিল্লোংগী এন্টন হোলদা ঙসি ১২৬শুবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নিংথোজম মুনিশ ইন্দিয়ন কাউন্সীল ফোর কলচরেল রিসার্চকী রিজনেল দিরেক্টরনা চীফ গেষ্ট, হুইদ্রোম শাংবা প্রসিদেন্ট শিল্লোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না প্রসিদেন্ট অমসুং হাওবিজম চলাম্বা মীতৈ জেনরেল সেক্রেটরি শিল্লোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

কাঙবম সুবোজিৎ জেনরেল সেক্রেটরি ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন কর্বি অংলোং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং ব্রুশ পেবম ঐচ আর দি সেক্রেটরি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ইম্ফাল ৱেষ্টনা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শিল্লোং অমদি মেঘলয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মণিপুরী লূপশিংগী লূচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা হুইদ্রোম শাংবনা হায়খি, মণিপুরগী পারী পুরীগী খোঙ্গুল লীবা হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদা অমা ওইহনসি। মরুওইনা মহৈরোয়শিংনা অচৌবা থৌদাং পুন্না লৌমিন্নদুনা হোৎনবা চঙই। লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা লৌরম্বা থৌদাং ঐখোয়না নীংশিংবা হায়বসি তঙাইফদে।

খুন্নাইগী তুংগী মীরোলগীদমক্তা হোৎনবা হায়বসিদা পারী পুরীগী খোঙ্গুল লীবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা, তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাং ওইরে। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিসু পারী পুরীগী লৈজরক্লবা শক্তম কয়া অদু খঙমিন্ননবা খুদোংচাবা লৌবগী তাঞ্জ অমনি। থৌরম অসিদা মহৈরোয়শিংনা মণিপুরগী অথৌবশিংবু শৈথাবা ঈশৈ অমদি কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু মীয়ামদা খুদোল তমখি।

## হায়র এদ্যুকেসন স্কোলরশিপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবা স্কোলরশিপ প্রোগ্রাম, ২০১৭কী মনুং চন্না ক্লাস টুৱেল্ভ পাস তৌরবা, হায়র ষ্টুদিজ তৌনিংবা, শেল থুমগী ফীভম ফত্তবা মেরিটোরিয়স মহৈরোয়শিংবু শৌগৎপা ওইনা স্কোলরশিপ অসি পীগদবনি।

পোপ্যুলর ফ্রন্টনা চথরকপা ৭শুবা স্কোলরশিপ পীবা চহী ওইনা পি জি কোর্সশিং, দিগ্রী অমসুং দিপ্লোমা নৎত্রগা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন তম্নিংবা মরুওইনা জর্নেলিজম, লো অমসুং সোসল ৱার্কতা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা স্কোলরশিপ অসি পীগনি। অকুপ্পা মরোল www.popularfrontindia.org দগী খঙবা য়াগনি অমদি ৱেবসাইট অসিদা চহী খূদিংগী ওগষ্টতা এপ্লিকেসনশিং লৌশিনগনি। ফ্রেশ অমসুং রিন্যুএল এপ্লিকেসনশিং লৌশিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৩১নি হায়না পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এম য়ু, বিষ্ণুপুর, অম্বা অমদি নম্বোলদা পেট্রিওটস' দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি পেট্রেওটস' দে ওবজার্বেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু)গী সেন্টিনরি হোলদা পেট্রিওটস' দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রো. অধ্য প্রসাদ পান্দেনা চীফ গেষ্ট, প্রো. এম মণি মীতৈ দিন স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজ, প্রো. এন লোকেন্দ্র দিন স্কুল ওফ সোসল সাইন্স, প্রো. এন রাজমুহোন দিন স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সেস অমসুং প্রো. এন নিমাই প্রসিদেন্ট এম য়ু টি এনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। লোয়ননা প্রো. কে ঐচ তোম্বা দিন ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়রনা থৌরম অদু প্রিসাইদ তৌখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম য়ুগী ভী সী প্রো. অধ্য প্রসাদ পান্দেনা হায়খি, ঐখোয়না ঙসি নীংতম্না লৈরিবা ফীভম অসি ইপা-ইপুশিংনা বৃটিশকা মায়োক্নুনা লাল শোক্নদুনা নীংতম্বা ফংখিবগী খুদমনি।

কৈদৌঙৈদা মীগী মীখা পোন্দুনা লৈবা পামদে হায়না বৃটিশশিংবু মায়থিবা পীনবগীদমক নীংতম লাল থেংনখিবনি। ঐখোয়না ঈংনা চীক্না লৈবা ঙম্লিবা অসি ইপা-ইপুশিং অদুনা হোৎনবীরম্বননি। মণিপুরগী নীংখা তম্বা ফংনবগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিং অমদি থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলবু ঈকায় খুম্নবা ওইনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

অথৌবশিং অসিদা নত্তনা সুবেদার নিরঞ্জন, পুখ্রম্বা কজাও অমসুং চিরাই থঙ্গালনচিংবুসু নীংশিংফম থোকই। মখোয় পুম্নমক ইমা লৈবাক্কীদমক্তা মথৱায় কৎখিবা ঙাক্তনি।

প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা প্রো. কে ঐচ তোম্বনা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা পেট্রিওটস' দে ওবজার্বেসন পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থৱায়না পোন্থা পীদুনা নীংখা তম্না হিংগদবনি, মীখা পোনবা লৈবাক অমা ওইরোই হায়দুনা মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা থৱায় থাখিবা অমদি থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবশিং অদুবু মহৈরোয়শিং অসিনা কাউখি-দনবগীমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা রিসাইটেসন অমসুং পেট্রিওটিক সোং কম্পিটিসন পাঙথোক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতসু পব্লিক থিয়েটর আর্টিষ্ট এসোসিএসন ফোইজিং নম্বোলনা শীন্দুনা পেট্রিওটস' দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা এ বিমোলা ভাইস চ্যেরপার্সন নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল, ডা. মখোনমণি মোংশাবা থিয়েটর ক্রিটিক, বুধ চিংথাম থিয়েটর ক্রিটিক, নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী এদিটর কে ঐচ লোয়া অমসুং কংলাপাউগী এদিটর পি ইবোচৌনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়াম্না বির টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেল, পুখ্রম্বা কজাওগী অয়েকপা শক্তমদা লৈ-শু কৎখি। কুঞ্জোনা ইবা শকখঙবীদ্রবা অথৌবা পুখ্রম্বা কজাওগী পূন্সি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা দ্রামা অমসু খুদোল তমখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা দি সী বোবি ৱাইখোমনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)নসু অম্বাগী ওফিসতা ঙসি অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অম্বাগী প্রসিদেন্ট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম্মা, ভাইস প্রসিদেন্টশিং কে ঐচ ব্রজিৎ অমসুং সী ঐচ নন্দ, জোইন্ট সেক্রেটরিশিং এস দেবনন্দ, এম দি সহিদ অমসুং পি ঐচ জিবিতানচিংবনা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## হোজাইদা পাঙথোকখিবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরমদা টিকেন্দ্রজিৎকী মিতম মায়খুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : অসামগী হোজাই দিষ্ট্রিক্টকী দালপুখরিগী মণিপুরী কলা মন্দিরদা ১২৬শুবা অথৌবশিংগী নুমিৎকী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসাম, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি হোজাইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বির টিকেন্দ্রজিৎকী মিতম অমসু মায়খুম হাংদোকখ্রে।

কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা মরৈবাক্কীদমক্তা মথৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংবু নীংশিংবগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট ১ তুমিন্ন লেপখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়খি, অসামগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মার্সেল আর্ট চাউখৎনবা ওল অসাম টাইকুন্দো এসোসিএসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইনা চহী ১০ রোম অসামদা লৈখিবদু অমুক হন্না নীংশিংখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লূচিংবা লৈঙাক অসি হৌজিক্তি মীয়াম্না থাজবা থম্লে। লৈঙাক্কী হায়দোকখিবা ৱাহৈদগী থবক ওইনা তৌথোরকপনা হেনবনা থাজবা থম্লকপনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তুংদসু অসিগুম্বা থৌরম কয়া শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা মহুদ, টাউন প্লানিং, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনগী মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হায়খি, মহাক্না কুমজা ১৯৯১দা অহানবা ওইনা হোজাইদা লাক্লুম্বা অদুদগী হৌজিক্কা অহোংবা কয়া উরে।

মীতৈ নুপীশিংগী ফিজেৎ চাকচাগী মরমদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, চহী কয়া ইনাক খুল্লবা নাৎ অমসুং কলচরশিং অসি ঙাত্তুনা থম্বদা নুপীশিংনা থৌদাং লৌবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। হোজাইদা লৈরিবা মীতৈশিংনা মীতৈগী নাৎ অমসুং চৎনবী ঙাত্তুনা থম্বা উবদা থম্মোয়নুংদগী নুংঙাইবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমসুং মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনচিংবনা মফম অসিদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংশিন্নবা অমসুং অঙম্বা মতেং পাংনবা লাকখিবনি হায়না মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

E 126th PATRIOTS' DAY CELEBRATION - 2017
And
he Inauguration of The Statue of BIR TIKENDRAJIT
n Sunday The 13th August -2017
Ven ipuri Kala Mandir, Dhalpukhuri, Hojai
Manipuri Sahitya Parishad, Assam
COMMITTEE, HOJAI

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : অশাংবা কম্যুনিকেসনন শীন্দুনা হামোম প্রমোদনা খোমজিন্দুনা লেংশিনবা *বাংলাদেশকী অখন্নবা মণিপুরী ৱারেংশিং* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি দি এম কোলেজ কম্পাউন্দদা লৈবা দেব লিটরেচর সেন্টরদা ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা কম্মিস্নার আই পি আর কাঙজম রাধাকুমার আই এ এসনা চীফ গেষ্ট, প্রো. ঐচ বেহারী কনভিনর মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমি অমসুং লোংজম জয়চন্দ্র রেজিষ্ট্রার মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমসুং এল উপেন্দ্রো দিরেক্টর জে এন এম দি এনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

বাংলাদেশতা পোকখিবা হৌজিক্লা কনাদাগী মোন্ত্রিয়েলদা লৈরিবা হামোম প্রমোদনা হায়খি, বাংলাদেশতা পোকপা ওইবনা ৱাখল্লোন অসি খেন্নৈ। অদুবু তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তা লৈজরবসু মণিপুরদগীদি লাপথোক্তে। মণিপুরী লোলদা লাইরিক তম্লক্তে অদুবু হৈতা হৈতনা তমদুনা লাইরিক অসি পুথোকপনি।

## লংথবাল অমসুং ক্ষেত্রিগাওদা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলনা শীন্দুনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী শাবল লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ক্ষেত্রিগাও শেমগৎ শাগৎ অপুনবা লূপকী থৌপুবশিংসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা মন্দল অসিগী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি। পাউনা ব্রজবাসি অমসুং থঙ্গাল জেনরেলনচিংবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অসিগী মরী লৈননা মন্দল অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ চাউবনা হায়খি, ঙসিগী নুমিৎ অসি ঐখোয়না মতম পুম্বদা নীংশিংদুনা লৈরগদবা নুমিৎ অমনি। অথৌবশিংগী থৌনা লিংজেল অমসুং মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন অদু মীরোল অসিনসু তমহৌনবা হোৎনসি।

পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুর অমসুং লংথবাল কুঞ্জ জুনিয়র হায় স্কুল অনীনা পুন্না শীন্দুনা স্কুল অসিদা চিলড্রেন লিটরেরী মিট কম ১৩ ওগষ্ট ওবজার্বেসন, ২০১৭কী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নোংমাইথেম নোরেন চীফ এঞ্জিনিয়ার বিল্ডিং পি দব্লিয়ু দি, য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম ভাইস প্রসিদেন্ট পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুর, ৱাই হেমচন্দ্র জেদ ঈ ও ৱাঙ্গোই জোননচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## মরৈবাক নীংবা কোইরেংসনা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা *মরৈবাক নীংবা কোইরেংসনা* হায়না মিংথোনবা লীলা অমা খুদোল তমখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ, ও লুখোইনা চীফ গেষ্ট; ডা. এম নরা এদভাইজর মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা প্রসিদেন্ট অমসুং এম তোমপীশক আই এম সীগী চ্যেরমেননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা অথৌবা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলগী মিতমদা লৈ-শু কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মণিপুরগী শুমাং লীলা লূপশিংগী অপুনবা লীলারোয়শিংনা শান্নবা মরৈবাক নীংবা কোইরেংসনা মীয়ামদা খুদোল তমখি।

লীলা অসি পি ঐচ কুলচন্দ্র শর্ম্মনা ইরগা ৱারেপ্পা নবনা দিরেক্সন পীবিনি। সৌগ্রাকপম হেমন্তনা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওইনা থৌদাং লৌখি। তোঙান তোঙানবা শুমাং লীলাগী লূপশিংগী লীলারোয় ২০ অমসুং ঈশৈ নোংমাইগী আর্টিষ্ট ৩৫ রোম্না শরুক য়াদুনা লীলা অদু পুথোকখিবনি হায়রি।